

# সনালৈবাক স্পোর্টস



ইটালিয়ান গ্রান্দ প্রিদা মার্ক মারক্কেজ মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইটালিগী লোকেল টিম দুকাটিগী ড্রাইভর দানিলো পেত্রুকি

বুন্দেসলাগাগী মথংগী সিজন হৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা বেয়র্ন ম্যুনিক থাদোকপগী ফিভমদা লৈরিবা কলম্বীয়াগী মিডফিল্ডর জেমস রোদ্রিগ্বেজ



## আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী তরুকশুবা মেটচতা পাকিস্টাননা ইংলেন্দবু রন ১৪ দা মায়থিবা পীখ্রে

ICC CRICKET WORLD CUP
ENGLAND & WALES
2019



*নোট্টিংহম, জুন ০৩(এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা যুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি নোট্টিংহমদা লৈবা ত্রেন্ট ব্রিজদা শান্নখিবা ৬শুবা মেটচতা পাকিস্টাননা যুম্বু ইংলেন্দবু রন ১৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

৬শুবা মেটচ অসিগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। পাকিস্টাননা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা অপীবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩৪৮ লৌদুনা ৱার্ল্ড কপ অসিগী পুৱারীদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোরসু ওইহনবা ঙমখি।

পাকিস্টানগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম ফজরকখি। অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৫০ লাম্থোকপা ঙমখি। ওপনর ফাখার জামান রন ৩৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর ইমাম–উল–হকসু রন ৪৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা পাকিস্টানগা অপুনবা স্কোর ১১১ দা লৈখি।

নৌনা চঙলকখিবা বেটসমেন অনী বাবর আজম অমদি মোহমদ হাফিজনা মখা তানা শান্নরক্কুনা টিমগী অপুনবা রন ২০০ নকশিনহনখি। বাবর আজম বোল ৬৬ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৬৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা মোহমদ হাফিজনা খোংজেল থুনা রন লৌদুনা বোল ৬২ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৮৪ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন সরফরাজ অহমদনা রন ৫৫ লৌরম্বা অসিনা মপুং ওইরগা পাকিস্টাননা ইংলেন্দগী মথক্তা য়াম্না চাওবা রন ৩৪৯ লৌবগী টার্গেট অমা থম্লমখি।

ইংলেন্দগী ওপনর জেসন রোই রন ৮ খক লৌম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর জোন্নি বেয়রষ্টোসু রন ৩২ লৌরমখি। নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন ইওন মোরগান রন ৯ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংস অসিদা ৩শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা জো রুটনা রন ১০৭ লৌদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বা বেটসমেন ওইখি। টিম অসিগী ৱিকেট কিপর জোস বট্টলরসু য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা রন ১০৩ লৌবা ঙমখ্রবসু পাকিস্টানগী রন অদু য়ামখিবা মরম্না টার্গেট রন য়ৌগদবা রন ১৪ ৱাংলিঙৈদা ওভর লোইশিনখিবদগী পাকিস্টাননা মেটচ অদু রন ১৪ দা মায় পাকখি।

## এসলি বার্টি অমদি মেডিসন কিজ ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

ROLAND GARROS
PARIS

*পেরিস, জুন ০৩(এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমদি যু এস এগী মেডিসন কিজ লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী মেডিসন কিজনা মরিশুবা রাউন্দদা যু এসকী সোফিয়া কেনিনবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৩, ৩–৬, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি।

অমরোমদা নুপীগী সিঙ্গলসতা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী যু এসকী মেডিসন কিজনা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দদা জেক রিপব্লিক্কী কেটারিনা সিনিয়াকোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।





ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোই জান লেনার্দ ষ্ট্রুফপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

সর্ভিয়াগী জোকোভিসনা ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা থংন–থংননা ১০ রক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোই ওইবগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা টুর্নামেন্ট অসিগী যুম্বু লৈবাক শান্নরোই ফ্রান্সকী বেনোই পাইরেবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–২, ৬–৭(৮–১০), ৬–২, ৬–৭(৮–১০), ৭–৫ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। জপানগী নিসিকোরিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেলা অমদি দিএগো স্বাটজ মেননা ১০শুবা সিদেদ পেয়র নেদরলেন্দসকী জুলিয়েন রোজর অমদি রোমানিয়াগী হোরিয়া টেকাউবু ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র কলম্বীয়াগী জুৱান সেবাষ্টিয়ান কবাল অমদি রোবার্ট ফারাহনা কজাখষ্টানগী মিখাইল কুকুসকিন অমদি বেলজিয়মগী জোরান ব্লিগেনবু ৬–২, ৬–২ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

## সিন্ধু অমদি প্রনোইনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা টাইটল লৌবগী অকনবা মীৎয়েং থল্লি

*সিদনি, জুন ০৩(এজেন্সি)ঃ*

হয়েংদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা শান্নবা হৌগদৌরিবা যু এস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধু অমদি ঐচ এস প্রনোইনা টাইটল ফংনবগীদমক অকনবা মীৎয়েং থল্লি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৫ দা লৈরিবী ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধু ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিদা অহুমশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারি।

পি ভি সিন্ধু ইন্দিয়ান ওপন অমদি সিঙ্গাপোর ওপনদা সেমি ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখি। অদুগা ইন্দোনেসিয়ান ওপন অমদি এসিয়ান বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইদুনা মেডল ফংদনা লাক্লি।

মমাঙগী সিজনদা সিন্ধু মকোক থোংবী শান্নরোইশিং স্পেনগী কেরোলিনা মারিন, সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুন, চাইনাগী হি বিংজিয়াও অমদি জপানগী নোজোমী ওকুহারাগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা পার্ফোমেন্স ফজবা ঙমদনা লাক্লি।





সিন্ধুনা করিগুম্বা রাউন্দ মেটচশিং মায় পাকপা ঙম্লবদি হান্না ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরম্লবী চাইনাগী লি জুরোইগা লম্বা তৌনরবা য়ারি। করিগুম্বা ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাকপা ঙম্লগনা সেমি ফাইনেলদা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপকী চেম্পিয়ন চাইনাগী চেন য়ুফেগা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই ঐচ এস প্রনোইনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই লিন দানগা অহানবা রাউন্দদা শান্নগনি।

ৱার্ল্ড নম্বর ১২ দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর সমির ভর্মনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী লি জি জিয়াগা লম্বা তৌনগনি।

নীংশিংবা য়াই হন্দক্তা চাইনাদা লোইশিনখিবা সুদিরমান কপ্তা সমির ভর্ম মালেসিয়াগী লি জি জিয়াগী মখূত্তা য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমদা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অদুদগী ইন্দিয়াগী টিম লৈহৌখিবা অদু মহাক্না লমন খূম্নবা হোৎনগদৌরি।

## অনন্যানা গোল্ড মেডল ফংখ্রে

*মোস্কো, জুন ০৩(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী রিদমিক জিমনাষ্ট অনন্য গারিকিপাটিনা মোস্কোদা পাঙথোকখিবা জিমনাষ্টিক্স ইভেন্টতা গোল্ড অমদি সিলভর মেডল পুন্না ফংদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

মশাগী চহী ১৬ শুরবী অনন্য গারিকিপাটিনা ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়র ষ্টার রিদমিক জিমনাষ্টিক্স চেম্পিয়নসিপ অসিগী ওল রাউন্দদা গোল্ড মেডল ফংবগা লোয়ননা স্পিসিয়েল প্রাইজসু ফংবা ঙমখি।

অনন্যানা ওল রাউন্দদা সিলভর মেডল অমসু ফংবা ঙমখি অদুগা সালুট কপ্তা মিস চেম্পিয়নসিপকী টাইটলসু লৌবা ঙমখি।

অনন্য গারিকিপাটি হৌজিক–হৌজিক রুশিয়াগী কোনুং মোস্কোদা কুমজা ২০০৮ ওলিম্পিক চেম্পিয়ন লৈবাক অসিগী জিমনাষ্ট অন্না গাব্রিলেনকোগী মখাদা ত্রেনিং চথরিবনি। ইভেন্ট অসিদা গোল্ড অমদি সিলভর ফংখিবা অসিনা চথখিবা ত্রেনিং অদু মহৈ য়াল্লে হায়না অনন্যানা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা কিংস কপকীদমক শেম শাখ্রে

*বুরিরাম, জুন ০৩(এজেন্সি)ঃ*

থাইলেন্দনা যুম্বু ওইরগা থা অসিগী ৫ দগী হৌগদৌরিবা কিংস কপকীদমক ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল শান্নরোইশিংনা মায়োক্নবা টিম মায়থিবা পীনবা শেম শাবা লোইখ্রে।

এসিয়াগী লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লিরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কিংস কপকী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৮২ শুবদা লৈরিবা কুরাকাওগা অহৌবা নুমিৎতা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৩ না শাবা স্কৱাদ অসিদা সুনিল ছেত্রিনা টিম অসিগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মেটচ মশীং শান্নবা ঙল্লি। মহাক ইন্টরনেসনেল মেটচ ১০৭ শান্নবা ঙমদুনা মমাঙদা ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন অমদি ষ্ট্রাইকর ওইরম্বা বৈচিং ভুটিয়াগা মেটচ মশীং য়াম্না নক্লনা লৈখ্রে।


**URGENTLY REQUIREMENT**

| Post | Nos | Qualification |
|---|---|---|
| SENIOR MANAGER (M/F) | 4 | BBA/MBA/HR/ARTS STREAM |
| BUSINES DEVELOP MANAGER (M/F) | 4 | ANY GRADUATE |
| SALES DEPARTMENT MANAGER (M/F) | 4 | ANY GRADUATE |
| RECOVERY OFFICER (M/F) | 12 | XII- PASS |
| LOAN OFFICER (M/F) | 15 | XII-PASS |
| ACCOUNTANT (M/F) | 4 | B.COM/EXPERIENCE |
| SALESMAN (M ) | 4 | 10 Pass |

Candidate are requested to submit their application with relevant document on an before 10, June, 2019.

**Sd/- Network Finance Health Care Services**
**RIMS Road Imphal. Contact No : 6009210392**

SL/4882/4&5


## অন–ওফিসিয়েল টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু থোইখ্রে

*হুব্বালি, জুন ০৩(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী এ ক্রিকেট টিম্না অন–ওফিসিয়েল ওইবা টেষ্ট মেটচ অনী শ্রী লঙ্কাগী এ টিমগা শান্নবদা ইন্দিয়ানা অনীমক থোইবা ঙমখ্রে।

অনীশুবা সেট মেটচতা ইন্দিয়া এ টিম্না অহানবা অমদি অনীশুবা ইন্নিংসতা মথংশিৎনা রন ২৬৯ অমদি ৩৭২ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা ভানুকা রাজাপাস্কানা রন ১১০ লৌখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

শ্রী লঙ্কা এ না মখোয়গী ইন্নিংস অনীদা মথংশিৎনা রন ২১২ অমদি ২৭৭ লৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ১৫২ দা মায় পাকখি। শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংসতা কামিন্দু মেন্দিজনা রন ৪৬ লৌখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজখি।

ক্রোসৱার্দ ১৭৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | O | A | D | | | P | S | I | S | | T | A | P | E |
| A | C | M | E | | F | E | I | N | T | | A | G | E | D |
| B | E | E | N | | D | A | N | T | E | | R | I | N | G |
| B | A | N | N | E | R | | B | A | N | | Z | O | N | E |
| I | N | D | I | A | | D | A | K | O | T | A | | | |
| | | | S | T | R | O | D | E | | I | N | L | E | T |
| B | R | A | T | | O | R | T | | R | E | T | I | N | A |
| O | U | C | H | | B | A | H | A | I | | H | E | I | R |
| O | T | H | E | R | S | | E | F | T | | E | D | D | A |
| T | H | E | M | E | | Z | S | A | Z | S | A | | | |
| | | | E | N | D | E | A | R | | A | P | I | A | N |
| S | P | A | N | | H | A | I | | E | D | E | R | L | E |
| L | A | V | A | | O | L | L | I | E | | M | E | O | W |
| E | P | I | C | | L | O | O | K | S | | A | N | N | E |
| W | A | D | E | | E | T | R | E | | | N | E | E | R |


GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AGRICULTURE: MANIPUR

RECRUITMENT NOTICE
Imphal, the 31st May, 2019.

No. AGM-III/16-PLG/2013: In pursuance to the Government of Manipur, Secretariat Agriculture Department convey approval for advertisement vide letter No. 23/9/2018-Agri (KVK) dated 28.05.2019, the Directorate of Agriculture, Government of Manipur invites application in the prescribed format from the intending candidates of Indian Nationals for appointment on Temporary basis in the Krishi Vigyan Kendra (KVK), Thoubal to the following post as indicated below:

| Sl No. | Name of Posts | Qualifications | Scale of Pay | No. of Post | Category |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Subject Matter Specialist (SMS), Fisheries | **Essential:** M.F.Sc in Fisheries with good academic record from a recognized University. **Desirable:** Doctoral degree in the relevant field with Knowledge of local language / communication skill Two years' filed working experience in a reputed firm / institute. | 15600-39100 GP 5400 | 1 | UR |
| 2. | Programme Assistant (Extension Education- Agriculture & Allied) | **Essential:** Bachelor's degree in Extension Education- Agriculture & Allied, preference will be given to AH & Vety Sciences. **Desirable: M.Vsc** Knowledge of local language / communication skill with good academic record from a recognized University. Two years' filed working experience in a reputed firm / institute. | 9300-34800 GP 4200 | 1 | UR |

2. **Tentative schedule for the recruitment:**

| Name of Post | Last date of submission of Form | Issue of Admit Card | Tentative date of walk in interview for short listed candidates |
|---|---|---|---|
| Post at Sl. No. 1 & 2. | 5.00 P.M of 20.06.2019 | 26.06.2019 to 28.06.2019 | 29.06.2019 and onward |

3. The Prescribed Application Form and general instruction can be downloaded from the official website http://kvkthoubal.org/site/notice. The duly filled in Hard Copies of the same along with processing fee of Rs. 500 for UR and Rs. 400 for ST/OBC and PWD respectively be submitted through Speed Post only of the Indian Postal Service addressed to **"The Senior Scientist & Head, Krishi Vigyan Kendra (KVK), Thoubal, Adjacent to Rice Research Station Wangbal, Thoubal, Manipur, 795138"** within the stipulated time.
4. Age of the aspiring candidate shall be as per State Government Rules / Policy on the date of this Notification.
5. The schedule for the walk in interview may be re-scheduled without assigning any reason.

Sd/-
(Laltanpuii Vanchhong)
Director of Agriculture, Manipur

SL/4870/2,3,4/6/19



**ISOR**
**INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES**
(A Co-Educational Hr. Sec. School of Science under COHSEM)
CANCHIPUR

# Admission Open
## to Class XI Science (2019-20)

**Facilities & Offers :**

1. **Free studentship, Book Grant, Hostel/Bus Fees with a Scholarship of ₹ 10,000/- per Month for Position Holders (1st -25th ) in HSLC Exam. 2019 (For XI & XII Classes).**
2. **Free Admission, Tuition, Hostel/Bus Fees, Book Grant, For Securing 80% and Above (For XI & XII Classes)**
3. **Free Admission and Monthly Tuition Fees for Students Securing 75% and Above (for XI Class only).**
4. **Only Half Admission and Half Tuition Fees for Students Securing 70% and Above (For Class XI only).**
5. **Only Half Admission fees for Students Securing 60% and Above (For Class XI only).**
6. **Free Coaching for the 1st 80 Students Admitted to Class XI in the Subject Phy, Chm, Bio & Mth.**
7. **Free School Bags for Every Admitted Students.**

For more details, Please Contact Principal ISOR

SL/4634/ 22th May to 15 days

**ISOR** - Educating the Minds to start-up